# রশিয়া থেংননবা ব্লেক সী ফোর্স লোঞ্চ তৌখ্রে



বুচারেষ্ট, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা ২০১৪ দা ক্রেমলিননা ফোর্সশীজিন্নদুনা ক্রিমিয়া লৌশিনখিবা মতুংদা রশিয়নশিংনা ব্লেক সীদা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎলকপগী ফিভম লাকশিন্নবা অমসুং নোংপোক থংবা মায়কৈদা রশিয়াগা থেংনবা ঙম্নবা লৌখৎলকপা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংদা নাটোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রোমানিয়াদা অনৌবা মল্টিনেস্নেল ফোর্স অমা হৌদোকখ্রে।
অহানবদা ইটালি, কানাদা অমসুং যূম্নু ওইরিবা রোমানিয়া য়াওনা নাটোগী লৈবাক ১০ গী ট্রুপশিংনা শেম্না অপিকপা ফোর্স অমা ওইরম্নদগী লেন্দ, এয়র অমসুং সী ডিপ্লোইমেন্ট-শিং হান্নদগী লৈজবা য়ু এসকী ট্রুপ ৯০০ গী মথক্তা হাপচিল্লগনি।
ঐখোয়গী পান্দমদি পীছনি, লান নৎতে হায়না রোমানিয়াগী প্রসিদেন্ট ক্লাউস আইওহানিসনা বুচারেষ্টতা নাটোগী পার্লিয়ামেন্টরি এসেমল্লিগী সেসন অমদা হায়খি। "ঐখোয়না রশিয়াদা অকিবা পোকহনবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়দা তুং কোইনগী ওইনা এলাইদ ষ্ট্রেটিজি অমা লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙাকশেনগী অরিংবা পোজিসন অমদগী ঐখোয়না ডাইলোগ চথবা তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
রশিয়ানা নাটোবু লৈবাক অসিবু কোইশিন্নবা হোৎনৈ অমসুং ইষ্টর্ন য়ুরোপকী মরা চেৎপা ফিভম থুগায়নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরি। তৌইগুম্বসুং নাটোনদি রশিয়াগী ৱাফম অসি য়াদ্রি।
রেদ সী, রোমানিয়া, বুলগেরিয়া অমসুং টর্কিগী অকোইবদা নাটোগী মেম্বরশিং লৈরি। জোর্জিয়া অমসুং য়ুক্রেনসু গ্রুপ অসিদা য়াওশিন্নবা হোৎনরিবনি।
হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অনৌবা ফোর্সকী সাইজগী মরমদা অকুপ্পশিং খঙবা ঙমদ্রি। নাটোগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি ফোর্স অদুগী লেন্দ কম্পোনেন্টতা বৃগেদ সাইজগী মল্টিনেস্নেল নাটো ফোর্স অমা ওরি। মখোয়দু মহৌশানা ট্রুপ ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা ওই। তৌইগুম্বসুং নন-রোমানিয়ন ট্রুপশিংগী কনট্রিব্যুসনদি মশিং পংয়াম য়ামদে।
হৌজিক লৈরিবা নাটোগী ব্লেক সীগী নেভল পেট্রোলশিংগী মথক্তা মরিটাইমগী শেম-শাবা অদুদা এলাইদ কাঙবুশিংনা রোমানিয়া অমসুং বুলগেরিয়াগী হীথাংফমশিংদা চৎপা, ট্রেনিং হেনগৎহনবা অমসুং লিমিটেদ স্কেলগী এক্সরসাইজ য়াওরি।
নাটোগী এয়র ফোর্সসু অহানবদা লিমিটেদ সাইজ ওইগনি তৌইগুম্বসুং বৃটেননা রোমানিয়াদা ফাইটর প্লেনশিং ডিপ্লোই তৌরগনি। কানাদানসু নেস্নেল পাইলোটশিংগা লোয়ননা রোমানিয়ন এয়র স্পেসতা পেট্রোলিং হৌখ্রবনি। ইটালিগী ওইনসু বুলগেরিয়ন এয়র স্পেসতা পেট্রোলিং তৌরি।
বাল্টিক্স অমসুং পোলণ্ডদা লৈরিবা ফিভমগুম্না নাটোনা হায়রি মদুদি, লাইট মল্টিনেস্নেল মোদেল অদুনা ১৯৫০ মতুং চহী খরদুদা এলাইদনা ৱেষ্ট বর্লিন শৌগৎখিবদু নীংশিংহল্লি।

# নোংমৈ মৱূ অমৎতা কাপ্তুনা পিয়োংয়াংগা থেংননবা সাউথ কোরিয়ানা ব্লেকআউট বোমশিং শারগনি

সিওল, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
লেপ্তুনা খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিজ থেংননবা সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা অনৌবা খুৎলাই অমা ডিভলপ তৌরি।
সিওলগী এজেন্সি ফোর ডিফেন্স ডিভলপমেন্ট (এ ডি ডি) না লান অমা থোক্লকপা মতমদা নোর্থ কোরিয়াগী পাৱর সিষ্টেম কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা মীশি-মীনাদি থোক্লোইদবা খুৎলাইশিং ওইগদবা গ্রেফাইট বোমশিং শানবগী টেক্নোলোজি ফংলে হায়না মিলিটরি সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখ্রে। সোর্ছশিং অদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী ন্যুজ এজেন্সি য়োনহাপতা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
এ ডি ডিনা লূচিংদুনা গ্রেফাইট বোম অমা শানবগী টেক্নোলোজি খূদিংমক মওং তানা লৈরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঐখোয়না মতম অমদা হেক্তা বোমশিং শাবা ঙম্লগনি হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।
'ব্লেকআউট বোমশিং' হায়না খঙনবা ৱারহেদশিং অদু প্লেন অমনা পাৱর ষ্টেসনশিংদা থাদবা য়াই। ক্লষ্টর বোমশিংগী মওং ওইবা বোম অদু কেনিষ্টরগুম্বা সব-ম্যুনিসন কয়া থোক্লা মচেৎ তাই। মখোয়না কার্বোন গ্রেফাইট ফিলামেন্টশিং রিলিজ তৌদুনা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাইশিং সোর্ট সর্কিট থোকহল্লি।
বোমশিংদু অহানবদা য়ু এস নেভিনা কুমজা ১৯৯১ দা অহানবা গল্ফকী লানদা ইরাকতা পাৱর সপ্লাই ব্লেকআউট তৌবদা (পাৱর ফেল ওইহনবদা) শীজিন্নখি। তুংদা বোমশিং অদু ১৯৯৯ দা বালকানগী কনফ্লিক্টতা সর্বিয়াগী মায়োক্তসু ডিপ্লোইদ তৌখি।
কোসোভোদা শীজিন্নখিবা মতুংদা নাটোগী স্পোক্সমেন জামিয়া সিয়ানা হায়খি মদুদি, টার্গেট তৌরিবা লৈবাক অদু পাৱর সপ্লাই লেপ্পদগী ইশোন শোন্থহনবনা বোমদুগী ইমপেক্টতু অয়াম্বনা সাইকোলোজিকেল ওইখি। ঐখোয়না পাম্লকপা মতমদা পাৱর সপ্লাই মুথৎপা ঙমই হায়না সিয়ানা মতমদুদা বি বি সিদা ফোঙদোকখি।
'কিল চেইন' কৌবা হন্দক্তা ডিভলপ তৌখিবা মিলিটরি প্রোগ্রামসিগী মনুংদা অমগী শরুক ওইনা সাউথ কোরিয়ানা অনৌবা খুৎলাইশিং অদু লৈবাক অসিগী খুৎলাইগী পুক্কৈদা হাপচিনখি। কিল চেইনগী পান্দমদি মিসাইল এটেক তৌরক্কদৌরে হায়বদু খঙদোক্লগা প্রি-এম্পটিভ ষ্ট্রাইক অমগা লোয়ননা রিয়েক্ট তৌবনি।
হৌখিবা ২০১৬ তা কোরিয়া টাইমসনা পাউদমখিবগুম সাউথ কোরিয়ানা খুৎলাই শেমগৎ শাগৎলিবদুদা কোরিয়া এয়র অমসুং মিসাইল ডিফেন্স প্রোগ্রাম য়াওরি। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি সাউথ কোরিয়া তম্না লাকপা মিসাইলশিং কাপথবনি। মসিদা নৎতনা কোরিয়ন মেসিভ পনিসমেন্ট এন্দ রিটালিএসন সিষ্টেম হায়না খঙনবা ইনিসিয়েটিভ অমসু য়াওরি।
হৌজিকমক্কী ওইনদি কা হেন্না অকিবা পোকহনবগী খুদম অমৎতা উবা ফংদে হায়না সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।




# নোর্থ কোরিয়াগা শোক্লবা লানদা য়াওননবা বৃটেননা শেম-শারি



লন্দন, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা লৈবাক অসিগা য়ু এসকগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা য়ু কেনা লানগীদমক্তা ইংনা তপ্না শেম-শারি হায়না ঙসি মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।
বৃটিশ আর্মদ ফোর্সেসনা খ্বাইদগী ফৎতবা ফিভম অমা লাক্লবদি হায়দুনা শেম-শারি অমসুং প্লান অদুগী শরুক অমদি য়ু কেগী অনৌবা এয়রক্রাফট কেরিয়র ঐচ এম এস ক্বীন এলিজাবেঠপু লমদম অদুদা ডিপ্লোই তৌবনি হায়না মেট্রো ন্যুজনা ফোঙদোকখি।
ঐখোয় কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা থানবা সিপ মরাং কায়না লৈ, টাইপ ৪৫ গী ডেসট্রোয়রশিং, টাইপ ২৩ গী ফ্রিগেটশিং মরাং কায়না লৈ হায়না রিপোর্ট অদুনা মিলিটরি সোর্ছ অমা পল্লদুনা হায়খি।
অনৌবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অদু সি ট্রাইঅলশিং চৎথদ্রিঙৈগী মমাঙদা চহী অসিগী অথেংবদা নেভিদা শিন্নরগনি হায়রি।
দোনাল্ড ট্রাম্প অমসুং কিম জোং-উন অনীমক অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবা লেপ্লিংবগী ৱাখল লৈতবগী ফিভম উবনা বৃটেননা লানগীদমক্তা শেম-শারকপনি।
বৃটিশ ফোর্সশিংনা ফোল্কলেন্দসকী ক্রাইসিস মনুংদা অর্জেন্টিনা থেংননবা য়াম্না ঙন্না ঐচ এম এস ইলষ্টিয়স থাখিবগুম্না নোর্থ কোরিয়া থেংনবগী মতাংদসু মান্নবা টেক্টিক্স শীজিন্ননবা খন্নরি।
বৃটিশ এয়রক্রাফট কেরিয়র অসি ২০২০ ফাওবগী মনুংদা সর্ভিসতা থাজিন্নবগী পান্দম থমখিবা ওইরবসু চহী অসিদা কম্মিসন তৌরগনি। খোঙথাং অসি কেরিয়র অসিবু লান থোক্লকপা মতমদা থাবা য়ানবা লৌখৎলিবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
ফোল্কলেন্দসকী মতাংদা ঐখোয় থৌদোক অমদা রিয়েক্ট তৌবা তাখি অমসুং ঐচ এম এস থাদুনা মদু থুজিনখি হায়না রিপোর্ট অদুনা রোয়েল নেভিগী সোর্ছ অমা পল্লদুনা হায়খি।

# কিম জোং-উনগী মচন কিম য়ো-জোং রুলিং পার্টিগী পোলিটব্যুরো মেম্বর হাপখ্রে



পিয়োংয়াং, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উননা মহাক্কী মচনবু রুলিং পার্টিগী সিনিয়র পোষ্ট অমদা প্রমোট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক ময়ায় লৈবা নুপীশিংগী মনুংদা অমা ওইরে হায়না নোর্থ কোরিয়ন ষ্টেট মীদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।
কে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়খি মদুদি, কিম য়ো-জোংবু মবুংনা প্রীসাইদ তৌবা রুলিং পার্টিগী মরুওইবা ৱারেপ লৌবা বোদি ওইরিবা মতিক ময়ায় লৈরবা পোলিটব্যুরোগী মেম্বরগী পোজিসনদা থাঙ্গৎখি।
কিম য়ো-জোংনা মহাক্কী মনে নৎত্রগা মন্দোমচা কিম কিয়োং-হুইগী মহুৎ শিল্লিবনি হায়না থাজনরি। কিম জোং-ইলগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মনুংদা কিম কিয়োং-হুইনা লৈবাক্কী মরুওইবা ৱারেপ কয়া লৌখি হায়রি। পার্টিগী পোলিটব্যুরোদা কিম য়ো-জোংনা কিম কিয়োং-হুইগী মহুৎ শিনখিবসিনা ইথিল চাউনা পীবা ঙম্বা বোদি অদুদা লৈহৌরিবা নহাশিং অসি মহাক অমসুং মহাক্কী মবুংদনি হায়রি।
কুমজা ১৯৬৮ তা পোকখিবা কিম য়ো-জোং মহাক্কী মবুংগী মতুং ইন্দুনা স্বিটজর্লেণ্ডদা মহৈ তমখি। মহাক হায়র এদুকেসনগীদমক্তা কিম ইল সুং য়ুনিভর্সিটি অমসুং ৱেষ্টর্ন য়ুরোপকী স্কুল অমদা তমখি হায়না থাজনৈ। কিম য়োং-জোং অসি মতম শাংনা নোর্থ কোরিয়াগী পাৱর সর্কলশিংদা মচিন তুমখৎলক্লিবা ষ্টার অমনি হায়না লৌনদুনা লাকখি হায়রি।

# মিসাইল সিষ্টেম য়োনবগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়াগা নীংথীনা ৱারী শানরি : রশিয়া



মোস্কো, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
মোস্কোনা রিয়াধতা এদভান্স ওইরবা এস - ৪০০ এয়র ডিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম সপ্লাই তৌবগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়াগা ৱারী শানবগী ফিভম রশিয়াগী মীৎয়েংদদি ফনা চৎলি হায়না ক্রেমলিননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।
পাউমীশিংগা কনফরেন্স কোল অমদা শরুক য়াখিবা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পোস্কোভনা পাউমীশিংগী ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। পাউমীশিংনা মঙোন্দা সাউদি অরাবিয়াদা য়ু এস ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা থাদ এন্টি-মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম য়োনবগী অয়াবা পীবনা রশিয়ন দীল অদুদা শোক্তদ্রা হায়না হংখি।
পেস্কোভনা হায়খি, ক্রেমলিননা শুপ্নগী ৱারী শানবদু কয়াম্না য়াঙশিল্লিবগে হায়বদুগী মতাংদা ঐখোয়না পাবগী মতুংইন্না এসেসমেন্ট পীবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মহাক্না দীল অদুগী অহৌবগী নিগোসিয়েসন অদুদি মওং তাখি হায়না ফোঙদোকখি।
হৌখিবা চয়োলদা রশিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সালমানগী হোষ্ট ওইদুনা ক্রেমলিনদা ৱারী শানখি। মদুনা মালেমগী থাউগী মমলশিংগী মতাংদা য়াম্না মরুওইবা অমসুং সিরিয়াগী লানগী মায়ওন ফাওবা লেপ্পা ঙমগদবা মরী অমা শেমগৎখি।
সাউদি অরাবিয়ানা এস-৪০০ সিষ্টেম অদু ইরানগী মায়োক্তা সাউদি অরাবিয়ানা শীজিন্নরকপা য়াই হায়বা অকিবগী মতাংদা পেস্কোভনা হায়খি, রশিয়ানা মিসাইলশিংদুবু রিয়াধতা ওফর তৌরিবসি অহুমশুবা পার্টি অমৎতগী মায়োক্তা নৎতে।
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পনা ৱাখল ইতৌ তৌদনা অতৈ লৈবাকশিংবু কিহনবগী থৌওংনা অমেরিকাবু অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাউগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনহনবা য়াই হায়না মকোক থোংবা রিপব্লিকান লোমেকর অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখি।
মতিক ময়ায় লৈরবা সিনেট ফোরন রিলেসন্স কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইরিবা বোব বোর্করনা প্রসিদেন্ট ট্রাম্পপু রিএলিটি সো অমগা মান্ননা মহাক্কী ওফিস রন তৌই হায়রদুনা কন্না চৈ থাংখি। ট্রাম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী তম্বা ঙমদবা মতৌ লৈরবসু সিট্টিং প্রসিদেন্ট অমবু মহাক্কী পার্টিমক্কী মীওইনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা অসুম্না চৈ থাংখিবসি ঙক্লিঙাই ওইরি।
হান্নগী মীচং মশেলগী মরক্তা অসুম্না ফোংনা য়ানদবা ফোঙ-দোক্লবসিনা ট্রাম্পকী লেজিসলেটিভ এজেন্দাদা অকায়বা পীবা য়াই হায়রি। মরুওইনা ইরান ন্যুক্লিয়র দীলগী মরাইবক লেপ্পা অমসুং টেক্স রিফোর্ম পাস তৌবদা বোর্করগী ভোট য়াম্না তঙাইফদে।

# রোকেট এটেক অমগী মতুংদা ইজরেলনা গজাদা সেল কাপশিনখ্রে



জেরুসালেম, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
পালিষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেলদা রোকেট অমা কাপশিনখিবা মতুংদা গজাদা ইজরেলি টেঙ্ক অমনা ইস্লামিষ্ট হামাস মুভমেন্টকী পোষ্ট অমদা এটেক তৌখ্রে হায়না আর্মিনা ফোঙদোক্লি।
অহানবদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা সাউদর্ন ইজরেলদা হিট তৌখি হায়না থাজনখিবা রোকেট অদু গজা ষ্ট্রিপকী মনুংদা তাশিনখিবা ওইরবসু মদুগী টার্গেটিতি জ্যুৱিস ষ্টেটনি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। রোকেট কাপশিল্লকপদুনা ইজরেলি সিটিজনশিংদা খুদোংথীবা মায়োক্লহনবগা লোয়ননা ইজরেলি সোভরন্টি খোঙ্গাওনবগী মওং লৈবদগী টেঙ্ক অমনা সাউদর্ন গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হামাসকী ওবজর্ভেসন পোইন্ট অমা টার্গেট তৌখি অমসুং থুগায়খি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
সেলিং অদুগা মরী লৈননা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা মীশি মীনাগী থোয়দোকপা পাউদি ফংখিদে। কুমজা ২০০৮ দগী ইজরেল অমসুং হামাসকী মরক্তা লান অহুম শোক্লখ্রে। হৌখিবা ২০১৪ দা খ্বাইদগী নৌবা কনফ্লিক্ট হৌখিবদগী অয়াম্বা মতমদা থিংজিন্দুনা লৈবা বোর্দরদা সীজফায়র অমদি থম্বা লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং মদুসু হেক হেক থুগায়বগী মওং উখি। মরক মরক্তা মিসাইল অমসুং রোকেটশিং ইজরেলদা কাপশিনখি। এটেকশিং অদু মরুওইনা হামাসকী মায়োক্তা লৈবা হার্দলাইন সালাফিষ্ট ইস্লামিক গ্রুপশিংনা পাঙথোকখি।
তৌইগুম্বসুং ইজরেলনদি কনানা পাঙথোক্লিবনো হায়বা থীদবীদা গজাদগী কাপ্পা রোকেট অপূম্বা হামাসকী খূৎনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মহৌশানা থুনা খূৎ হনখি।
নোংমাইজিং নুমিৎতা হামাস পুলিসনা গজাদা নৌর ইসা কৌবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা জিহাদিষ্ট লীদর অমনি হায়না চিংনবা মীওই অমা ফাখি। হৌখিবা ওগষ্টতা ইস্লামাবাদ ষ্টেট গ্রুপকা মরী লৈনবনি হায়বা সুইসাইদ বোমর অমনা ইজিপ্টকা তাইনবা বোর্দর পরিং ওইবা সাউদর্ন গজাদা হামাসকী গার্দ অমা হাৎখি।

# চেনখিবা রোহিংয়া রেফ্যুজী ১২ হী লুপ্পদা শিরে



কোক্স বাজার, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
রোহিংয়া মুস্লিম রেফ্যুজীশিং পুবা হী অমা ঈশিংদা লাকখিবদা অয়াম্বনা অঙাং ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ ঈরাক্লদুনা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়দু মীওই মিলিয়ন তঙ্খাই অমা হেন্না চেলহনখিবা ম্যান্মরগী ঈরাং অদুগী খ্বাইদগী নৌবা ভিক্টিমশিংনি।
হী অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা বাংলাদেশকী খা ইথং থংবা শরুক্তা লৈবা সাহ পোরির দ্বীপকী মনাক্তা মীওই ৩৫ গা লোয়ননা লূপখি হায়না বাংলাদেশ পুলিসনা ফোঙদোকখি।
বাংলাদেশকী ঙামীশিংগী হীশিং হৌখিবা ওগষ্টকী অথেংবদগী ম্যান্মারগী অকনবা সিক্যুরিটি কেম্পেইন অমদগী নাম্থোক্লবা হোৎনদুনা চেল্লিবা রোহিংয়াশিংনা পাথোকপগী ফিভম উখি। নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মার আর্মিনা চথরিবা সিক্যুরিটি ক্রেকদাউন অদুবু কাঙলূপ অমা মুথৎনবা হোৎনবনি হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রবনি।
বাংলাদেশ পুলিসকী ওফিসর মোহাম্মদ মাইনউদ্দিননা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, অঙাং ১০, নুপী অমা অমসুং নুপা অমা পূন্না অশিবা হকচাং ১২ লৌখৎলে। মদুগী মমাঙদা ফোটোগ্রাফর অমনা অঙাং মরি, নুপী অনী অমসুং নুপা অমগী হকচাংশিংদু বিচতা ঈশিং ঈপোমনা পুখৎলকপা উখি।
মীওই ১৩ দি কনবা ঙম্লে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।
হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা রখাইন ষ্টেটতা রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংনা পুলিস অমসুং মিলিটরি পোষ্টশিংদা এটেক তৌখিবা মতুংদা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শাথীবা পাউখুম পীরকখিঙৈদগী রোহিংয়া ৫১৯,০০০ ম্যান্মারদগী চেনখি।
মাইনোরিটি কাঙলূপ অমা মুথৎনবা হোৎনৈ হায়বা য়ু এনগী ৱাফমবু ম্যান্মারনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং অহানবদা এটেক হৌখিবা অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মিগী মিলিটেন্টশিংবু টেররিষ্টশিংনি হায়খি।
রোহিংয়া লালহৌবশিংদুনা সেপ্টেম্বর ১০ দগী থা অমগী সীজফায়র হৌখি। মদু নিংথৌকাবগী অহিং নোংয়াইদা লোইরগনি।
হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদগী থোক্লকখিবা গ্রুপ অদুগী ম্যান্মার আর্মি শীংনবা ঙম্বগী ফিভমগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু ওগষ্ট থাদা হৌখিবা মিলিটরি ওফেন্সিভ থেংনবা ঙম্বগী মওং উদ্রি। রখাইন ষ্টেটকী অৱাং থংবা শরুক্তগী মিলিটরিনা রোহিংয়া মীচমশিং তাম্থোকখ্রবা এরিয়াশিং অদুদা লালহৌবশিংদুনা ওপরেট তৌবদা ৱা থোক্কনি হায়না থাজনরি।
লালহৌবশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মখোয় ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা পীছকী খোঙথাং থাংলকপদা চানবা পাউখুম পীনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়খি। মখোয়না সীজফায়র অদুদি লোইশিল্লক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কাটালোনিয়াগী শেল-থুমগী ফিভম কাং-খোং চাইরক্কনি : স্পেন

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা কাটালোনিয়ানা মখা তানা নীংতম্বগী খোঙজং চঙশিল্লকপা তারবদি লমদম অদুদা শেল-থুমগী কাং-খোং চাইবা ফিভম লাক্কনি হায়না স্পেননা ৱার্নিং তৌখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা খূৎ থিংজিন্দুনা লমদম অদুবু লাকশিন্নবা শেম-শারে হায়না মাদ্রিদতা লৈবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চেকশিন্না হায়খ্রে।
নুমিৎ খরনি লৈখাই তাদবগী ফিভম লৈরকখিবগা লোয়ননা ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর সোরায়া সেঞ্জনা হায়খি, কাটা-লান প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টগী খোঙথাংদা অপনবা পীনবা মিনিষ্টরশিংনা শেম-শারে। স্পেনিস এনর্জি মিনিষ্টর অলবারো নাদলনা হায়খি, কম্পনি কয়া মফম হোংনখিবগা লোয়ননা তোখায় তানবগী খোঙজং অদুনা ওগষ্টকী টেররিষ্ট এটেকশিংদুদগী হেন্না কাটালান ইকোনোমিদা শোকহল্লে।
মসিগী নুপা অসিনা নাকল নাম্মগী ৱারেপ ওইনা নীংতম্বা লাউথোকপা তারবদি গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী খোঙথাং কয়া লৌখৎকনি হায়না সেঞ্জনা স্পেনিস রেদিওদা হায়খি।
করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা পার্টি কয়াগী বেকিং ফংদবা তারবসু এক্সনদি শোয়দনা লৌখৎকনি। ঐখোয়না সপোর্ট ফংনবদি হোৎনগনি তৌইগুম্বসুং মখোয়না অদুম্না লাউথোরকপা মতমদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী শোয়দনা পাউখুম লাক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সেঞ্জনা মখা তাখি।

# নৱাজ শরিফকী মচানুপী অমসুং মমাকনুপাদা কোর্টনা বেল পীখ্রে





*ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি) :*
*হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীনবগী মতম লেপখ্রবা পাকিস্টানগী মফম তাখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ নিংথৌকাবা নুমিৎতা এন্টি-করপসন কোর্ট কাবা ঙমখিদ্রে। চৈরকসিদা পানামাগী চে-চাংগী কেসতা মচানুপী অমসুং মমাকনুপাদা কোর্টনা বেল পীখ্রে।*
*মশাগী চহী ৪৩ শুরবা মরিয়ম নৱাজ মহাক্কী মপুরোইবা হান্নগী আর্মি কেপ্টেন মুহম্মদ সাফদরগা লোয়ননা হৌখিবা অহিংদা লন্দনদগী ইস্লামাবাদতা হল্লকখি। মখোয় একাউন্টেবিলিটি কোর্ট কানবগীদমক্তা ইস্লামাবাদতা হল্লকখিবনি।*
*কোর্টনা সফদরগী মায়োক্তা নন-বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট ইসূ তৌখিবদগী হান্নগী পাকিস্টান আর্মিগী কেপ্টেন অসি ইস্লামাবাদতা থুংবদা ফাখি। মখোয়নিমক ইস্লামাবাদতা লৈবা জজ মুহম্মদ বাশিরগী একাউন্টবিলিটি কোর্টতা তোঙান তোঙানবা থোকখি।*
*শরিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনী লন্দনদা থ্রোট কেন্সর লায়েংলিবা মহাক্কী লোয়নবীগী মনাক্তা লৈবনা মরম ওইদুনা হিংয়রিংদা লাকপা ঙমখিদবনি। মমাঙগী হিয়রিং অনীমক্তা কোর্ট কাখিবা শরিফ মশা নাদুনা লৈরবা মহাক্কী লোয়নবীগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক্তা হৌখিবা চয়োলদা লন্দনদা অমুক পাইখিবনি।*
*কোর্টনা মরিয়ম অমসুং সাফদরগী বেল এপ্লিকেসন য়াখি অমসুং হিয়রিং অদু ওক্টোবর ১৩ ফাওবা য়ৈথোকখি।*